**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 20-01-2026)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২০-০১-২০২৬, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী খূৎশু খূৎলাই অমসুং আইননা য়াদবা দ্রগশিং ফাগৎলে।

২) ভিক্সিট ভারত য়ং লিদর্স দাইলোগ ২০২৬ কী নেসনেল দ্রোৱিং কম্পিতিসনদা অহানবা মনা ফংলকখিবা ভেনিস কৈসামবু হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং য়ুনাইতেদ অরাব ইমাইরেটসকী রাস্ত্রপতি সৈখ মোহমদ বিন জায়দ অল নয়াহনগী মরক্তা য়ান্নচে কয়ামরুম সহী তৌনখ্রে।

----

**সেক্যুরিতি (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগা খূৎশু খূৎলাই অমসুং আইননা য়াদবা দ্রগশিং ফাগৎলে।

রাজ্য পুলিসকী কন্ট্রোল রুমা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-কাংপোকপী জিলাগী নিউ কৈথেলমানবী পুলিস স্তেসনগী মনুং চন্না লৈবা ৱাইনেম অমসুং আইগেজাং অনিগী মরক্তা লৈবা চীংগী শরুক্তগী ঙরাং খূৎশু খূৎলাহশিং ফাগৎখি। খূৎলাইশিং অদুগী মনুংদা-বোল্ট এক্সন রাইফল ৫, পিষ্টোল ২, তুয়েল্ব বোর কাত্রিদজ ৭, পোইন্ট টু টু এম এমগী নোংমৈ মরু ২, পোম্পী ১ অমসুং পোম্পীগী মরু ১ য়াওরি।

ককচিং জিলাগী সুগনু পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা সুগনু এরিয়াদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা বাউফেং হেন্দ সেট ১ অমসুং পি-কেপ ১ ফংলে।

অমরোমদা, বিষ্ণুপুর জিলাগী ফৌগাকচাউ ইখাই বজারদা লৈবা চেকপোইন্টতা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা সাপোন কেপ ৮ দা হাপ্তুনা পুরকপা হেরোইন পাউদর গ্রাম ৯৪ সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। পোৎলমশিং অদুবু পুরকপা কাংপোকপী জিলাগী ময়াংখাং খুনৌদগী মীওই অমসু ফারে হায়রি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সেকমাই পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা তেংদোংয়ানদগী মণিপুর পুলিসনা মীওই অমদগী হেরোইন নম্বর ফোর গ্রাম ৩১০ ফারে। পোৎলমশিং অদুবু পুরকপা জিরিবামগী চীংদোং লৈকাইদগী মীওই অমসু ফারে হায়রি।

মরক অসিদা, সেক্যুরিতি ফোর্স, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট, নাব অমসুং এগজিক্যুতিভ মেজিস্ট্রেট য়াওবা অপুনবা কাংবু অমনা চুরাচান্দপুর জিলাগী মনুং চনবা দম্পী এরিয়াদা লম একর ২২ রোমদা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং ঙরাং য়াস্থৎতুনা মাংহনখে। মফম অদুদা লৈরম্বা লৌতাংশঙ ৩ মৈ থাদোক্তুনা মাংহনখি। পোপী পাম্বীগী চারা খরসু ফংখি হায়রি।

**বিরেন(এল)ঃ** ভিক্সিট ভারত য়ং লিদর্স দাইলোগ ২০২৬ তা পাঙথোকখিবা নেসনেল দ্রোৱিং কম্পিতিসনদা অহানবা মনা ফংলকখিবা ভেনিস কৈসামবু হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে। ৱারোল অমদা শ্রী

বিরেননা হায়-নহা ওইরিবা ভেনিস কৈসামগী চাউনা মাই পাকপা অসিনা মণিপুরদা লৈরিবা হৈথোই শিংথোইরবা নহারোল কয়াগী তৌবা ঙম্বা শক্তি অদু লৈবাক অসিগী মীয়ামদা উৎপা ঙমখ্রে। প্রধান মন্ত্রি রাস্ত্রিয়া বাল পুরুস্কার মনা ফংখ্রবী ভেনিসকী পুকিং থৌগৎনিংঙাই ওইরবা মাই পাকপগী খোঙচৎ অসিগী ৱারিনা লৈবাক অসিগী নহারোল কয়াদা থৌনাগী ইথিল পীরগনি। মহাক্কী তুংগী পুন্সিদা হোৎনরকপা খুদিংমক্তা মাই পাকপা ওইরসনু হায়নসু শ্রী বিরেননা ফোঙদোকখি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং য়ুনাইতেদ অরাব ইমাইরেটসকী রাস্ত্রপতি সৈখ মোহমদ বিন জায়দ অল নয়াহনগী মরক্তা নিউ দেল্লিদা ৱারি শান্নদুনা য়ান্নচে কয়ামরুম সহী তৌনখ্রে। সহী তৌনখিবা য়ান্নচেশিং অদুগী মনুংদা- ঙাকশেল, স্পেস, ইনর্জি, সুপর কম্প্যুতিং অমসুং ফুদ সেফতিনচিংবা য়াওরি। য়ান্নচেশিং সহী তৌনখিবা অদুগী মতাংদা ফোঙদোক্লদুনা ফোরেইন সেক্রেটরি বিক্রম মিশ্রিনা হায়-ঙাকশেলগী লমদা মরুপ মপাং ওইনা থৌদাং লৌমিন্নবা, স্পেসকা মরী লৈনবা মচাক মথুমশিং শেমগৎপদা শরুক য়ামিন্নবা অমসুং গুজারাথকী দোহলেরাদা পাঙথোক্কদবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা য়ু.এ.ঈনা শেল থাদনবা ৱাফমশিংসু য়াওরি। শ্রী মিশ্রিনা হায়-ভারতকী ঐচ.পি.সি.এল অমসুং য়ু.এ.ঈগী এদনোক গ্যাসকী মরক্তা লৈবা অমসুং য়োনবগী য়ান্নচে অমসু সহী তৌনখি। লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০৩২ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অনিগী মরক্তা লল্লোন ইতিক্কী থবক হান্নদগী শরুক অনি হেনগৎহন্নবসু য়ান্নখি।

**মীফমঃ** কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং ভুপেন্দ য়াদব, নিতিন গদকারি, মনোহর লাল অমসুং জি কিসন রেদিনা ঙরাং নিউ দেল্লিদা উনদুনা মীফম পাঙথোকখ্রে। কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিংগী মীফম অদুগী মতাংদা সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা

ৱারোল অমদা শ্রী ভুপেন্দ্র য়াদবনা হায়- মীফম অদুদা ঈ-ৱেস্টকী মতাংদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অমসুং সহরশিংদা ঈ-ৱেস্টকী মতাংদা শিন লাংবগী থবক থৌরমশিং হন্না য়েংশিনখি। লৈবাক অসিগী মীয়ামগী পুন্সি মহিং অসি মহৌশাগী ফিভমগা চুশিন্ননা চৎমিন্নবা য়াবা মওংদা শেমগৎনবা প্রধান মন্ত্রিনা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মনুং চন্না খন্ন-নৈনবগী মীফম অসি পাঙথোকপনি। লাইফস্তাইল ফোর ফোরেভর হায়রিবা থৌশিলগী মখাদা ৱাখল্লোন ৭ তা যুমফম ওইদুনা থবকশিং পায়খৎলি। মদুগী মনুংদা, সেভ ইনর্জি, সেভ ফুদ, সেভ ৱাতর, নো টু সিঙ্গল য়ুস প্লাস্তিক, মেনেজ ৱেস্ট অমসুং হেল্দি লাইফস্তাইলনচিংবা য়াওরি।

**উপঃ** উপ-রাস্ত্রপতি সি.পি রাধাকৃষ্ণননা ঙরাং নিউ দেল্লিদা ডা.সি.পলানিভেলুগী পুন্সি ৱারিদা য়ুমফম ওইবা লাইরিক-‘পলানিভেলু কটস’ ফোঙখ্রে। শ্রী রাধাকৃষ্ণননা হায়-কুমজা ১৯৯০ অঙনবা শরুক্তা লেপ্রোস্কোপিক সর্জনগী লমদা ডা.পলানিভেলুনা শিংথানিঙাই ওইবা থবক কয়া তৌরম্মি। কুমজা ১৯৯১ দা ডা.পলানিভেলুনা কোম্বাতোরদা লেপ্রোস্কোপিক সর্জরি হৌদোকখি। মহাক্কী খোঙথাং অসিনা অনা লায়েংগী লমদা অনৌবা মায়োন অমা পুরকপা ঙমখি।

**কোবিনঃ** হান্নগী রাস্ত্রপতি রামনাথ কোবিননা ঙরাং নিউ দেল্লিদা রেস্পোন্সিবল নেসন্স ইন্দেক্স(আর.এন.আই) ফোঙখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী কোবিননা হায়- মীওইবগী মীনুংশি য়েংদুনা লৈবাক অসিনা থবক তৌবগী মাইকৈদা আর.এন.আই অসিনা চাউনা কান্নবা পীরগনি। মসিনা থৌদাং খঙবা লৈঙাক্লোন, পুন্না চাউখৎমিন্নবা অমসুং শিংথানিঙাই ওইবা মালেমগী লৈঙাক অমা ওইরকবগী মওং মতৌশিং লেপথোকবা হোৎনবদসু কান্নবা কয়া পীরগনি। আর.এন.আই অসিনা লৈবাক অসিবু শেল থুমগী মপাঙ্গল কনবা

লৈবাক অমা অমসুং লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু হেন্না দাইত্যা খঙবা নাগরিকশিং ওইহনবতা নত্তনা মহৌশাগী ফিভমশিং ঙাকশেনবগী লমদসু কান্নবা কয়া পীরগনি। আর.এন.আই অসি মালেমগী ওইনা লম কয়াদা খঙ হৈরবা মীওইশিং অমসুং জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিতিদা পুন্না হোৎনমিন্নদুনা পুথোকপনি হায়নসু শ্রী কোবিননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

জর্মন-তাইগর রোদকীদমক উমংলোইশঙনা ক্লিয়ারেন্স পীখিদ্রে হায়রক্লে। আর.ঈ.দিনসু মখোয়না শেমদে হায়রক্লগা তুমিন্না লৈথোকপা য়ারোই হায়বা পাউনা- হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা আর্কিতেক্স মিট পাঙথোকখিবগী পাউনা- মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

সনালৈবাক্তা- কুকিশিং লাকশিনবগী মহুৎতা নাগাশিং থেমবা হোৎনরকপদগী মৈ হৌনা শাউখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফালদা আধার শেভা কেন্দ্র অমা হাংদোক্কদৌরি হায়না-পোকফমদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

এম.এম.টি.য়ুনা নো এস.টি, নো ভোৎ কেম্পেইন পাঙথোকখিবগী পাউনা- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

নিতিন নভিন বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট ওইনা লম্বা য়াওদনা খনখ্রে। মোদিনা

ঙসি ওফিসিয়েল ওইনা লাউথোক্লগনি, চার্জ শিন্নবগী থৌরম লোইরবা মতুং মণিপুর ৱাফম খন্নগদৌরি হায়না নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউ- তামেংলোং তাইমসতসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

কুকি মিলিতেন্টশিংনা রাজস্থান নেসনেল স্কুল গেমসকী শান্নরোইশিংদগী শেল মনখিবগী পাউনা- পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি। মসিগা মান্নবা পাউশিং- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসন, নহারোলগী থৌদাং, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

সেনাপতিদা ফোঙবা হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- আই.এন.বি.সি.এগী অনিশুবা য়ুথ গোস্পেল ওলেম্পিক্স লোইশিনখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

৩৭ শুবা নেসনেল রোদ সেফতি মন্থকা মরী লৈননা রোদ সেফতি রুলসকী মতাংদা স্পিসিয়েল এনফোর্সমেন্ট কম এৱ্যেরনেস দ্রাইভ তামেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাতর্সতা পাঙথোকখিবগী পাউনা- গানফিউ মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**